চীং নীংখায়বদগী হায়ৱেদা গাড়ীশিং পন্দুনা লৈরুরে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ কী বরাক থোং মনাক য়ৌরমদাইদা ঙরাং নুংথিল নোং ময়াই ওইরপ্পা তাবদগী খঙহৌদনা চীং নীংখায়রকপদগী গাড়ী ৪০০ রোম লমখাংদা পন্দুনা লৈরুরে।

পুলিসতগী ফংবা পাউ মতুংইন্নদি, হায়ৱে অসিগী বরাক মনাক্কী চীং নীংখায়বা অদুনা মরম ওইরগা জিরিবামদগী ইম্ফাল চঙলকপা পোৎচৈ পুবা ট্রক, পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা বস অমদি টেক্সি চেনবা গাড়ী ৪০০ গী মথক্তা লমখাংদা পন্দুনা লৈরুরে। ঙসি অয়ুক সিবা কম্পেনিনা এক্সকাভেটর মেছিন শীজিন্নদুনা চীং নীংখায়বা অদু খোৎতোকপদগী নুমীদাংৱাইরম পন্দুনা লৈরম্বা গাড়ী খরা ইম্ফালদা চঙলকখ্রে। ইম্ফালদগী জিরিবাম তম্না লাকপা গাড়ী খরা লমখাংদা পল্লম্বা অদুসু জিরি মায়কৈ পাংখ্রে। হৌজিক লৈবাক অদু লোইনদি লৌথোক্তনা লৈরি।

ডা. আর কে রঞ্জন তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) পাৎশোই মন্দল মহিলা মোর্চানা শীন্দুনা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জনবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা তেরা কৈথেলদা লৈবা লেট এস ঐচ মধুমঙ্গোলগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, বি জে পিগী নেসনদা ফর্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ পার্টি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইবগী মনুংদা মরুওইবশিংদা থবক তৌগনি। লোক্তাক অমদি ময়াং ইম্ফালদা ফ্লোটিং মার্কেট অমমম শাগনি। মসিগা লোয়ননা পাৎশোই এ সীগী অৱাৎ-অপাশিংসু য়েংশিনগনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট ওইখিবা মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যেরমেন এস ঐচ সত্যাভমানা হায়খি, এম পি ওইরকপা ঙম্বা হায়বসি নুংঙাইবা পোকই। বি জে পিগী ওইনা ভোট কাদুনা ডা. আর কে রঞ্জননা এম পি ওইরকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওক্তুনা খুদোল তমজবনি হায়খি।

'লান্না উহনবা নুংঙাইতে'

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): মোরেদগী রাইফল স্কোপ ১৬ পুথোরকপদা খুদেংথাবীদা চেক তৌবদা লান্না উহন্নবা তৌবা থৌওং নুংঙাইতে হায়না সাউথর্ন মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নাওরেম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ইবোমচানা হায়খি, থা অসিগী ৮ দা মোরেদগী রাইফল স্কোপ ১৬ পুথোরকপনি। আর্মিদা পুথোকপা য়াব্রা য়াদব্রা হংবদা য়াই হায়রকপদগী পুথোরকপনি। মোরে গেটতা লৈবা এক্সরে স্কেনদা চেক তৌরবা মতুং থোরক্লগা খুদেংথাবীদা ১২ এ আরনা চেক তৌখি। মদুদা স্পোর্টসকী লৈরকপনি। দেমো তৌনবা পুথোরকপনি হায়খি। ওনলাইনদসু অদুম লৈবা য়াবা পোৎলমনি। মদুদা মীয়াম মমাঙদা লান্না উহন্নবা তৌরকপা থৌওং নুংঙাইতে। লোৎলগা পুরকপসু নত্তে। ইলিগেল ওইবা পোৎলমসু নত্তে। পাউনা বজারদসু অদুম্মক য়োল্লি। হায়দ্রবাদতদি ফুট পাটতা ফাওবা য়োল্লি। মার্কেটতসু অদুম্মক য়োনবা অমদি ওনলাইনদগীসু লৈবা য়াবা পোৎলম ওইবনা মোরে চৎপদা লৈরকপনি। মসিদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা য়ানিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুপা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): নম্বোল ফোইজিং নান্দেবম লৈকাইদগী লাল্লগা হৌজিক্লা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাইগী অশানবা য়ুম অমদা লৈবা নুপী অঙাং লৈরবা নুপা অমা ঙরাং ইমুংদা থৌরী য়াল্লগা শিরল্লে।

থৌদোক অসি ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা খঙলকখিবনি। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা পেবম সনামচা মীতৈ (২৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা পি নিংথেম পিশক কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নম্বোল ফোইজিং নান্দেবম লৈকাইদা লৈবনি। পুলিসকী পাউনা হায়, মহাক অফং-অফংবা থবক শুবা মীওইনি। মহাক্কী থা অহুমদা ঙাইরিবা মচানুপী অমদি লোইনবী লৈহৌরি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা শীংজমৈ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

'এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী লাকখিবা কম্মিটিগী লিদরশিংনা চথুখিবা থৌওং কন্দেম তৌই'

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): এক্ট ইষ্ট পোলিসীগা মরী লৈননা লাকপনি হায়বা কম্মিটি অমগী লিদরশিংনা চথুবা থৌওং কয়া সোসল মীদিয়াদা অমদি পাউচে কয়াদা হাপ্লকপা থেংনরে। লিদরশিং অদুনা চথুখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌই হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

তেরাদা লৈবা এন ঈ আই দি পিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. এন জি বিজয়না হায়খি, কম্মিটি অমগী পোলিটিকেল লিদরনি হায়বা কয়ানা নুপীশিংগা লোয়নননা চথুবা থৌওং কয়াগী মতাংদা সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরক্লে। পোলিটিকেল লিদরনি হায়রগা অদুগুম্বা য়েংবদা নুংঙাইতবা থৌওংশিং চথুবা লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা লিদরশিং অসিদগী লমদম অসোমগী ইচিল-ইনাওশিংনা চেকশিনবা তঙাইফদে। এক্ট ইষ্ট পোলিসী ফাওবা নীংথিনা থবক্তা ওন্থোক্লিঙৈ মতম অসিদা অসিগুম্বা থবক চথুরবদি এক্ট ইষ্ট পোলিসী থবক পায়খৎলকপা মতমদদি করি ওইগনি হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। নন-মঙ্গলোইদ কাঙবুনা লমদম অসোমগী মঙ্গলোইদশিংবু উশিংতবগী মীৎয়েং য়েংবা থেংনরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা চেকশিন্নিংঙাই ওই।

এক্ট ইষ্ট পোলিসী লাকপা মতমদদি শেঞ্জাও পায়বা কয়ানা লমদম অসোমদা থোমজিল্লক্কনি। মতমদুদা ঐখোয়গী ইচে-ইচলশিং চেকশিন্নিংঙাই ওই। লায়না পকপা মীওই কয়াসু লাকপা য়াই। ঐখোয়গী ইচে-ইচলশিংদা লায়না শন্দোক্লল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। চেকশিনহৌবনা খ্বাইদগী ফবা ওইগনি। সী এস ও ময়াম পুল্লগা থেংননবা শেম-শাবা তাই।

এক্ট ইষ্ট পোলিসীগা মরী লৈনবা কম্মিটিগী টিমনি হায়বা পোলিটিকেল লিদর কয়া অদুনা চথুবা থৌওংশিং সোসল মীদিয়াদা থা অসিগী ১০ দা থাগৎনরকপা থেংনখিবনি। য়েংবদা নুংঙাইতবা মওং কয়া অমা চথুবা অসি কন্দেম তৌই হায়নসু মখা তাখি।

লোক্তাক পাৎতা বেট্টরি শীজিন্নদুনা ঙা ফারম্বা মীওই মরি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): লোক্তাক পাৎতা ঙা ফারিবা মীওইশিংনা কাঙলোন কায়না ঙা ফাবগী কন্না অথিংবা কয়া থমদুনা চঙশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা থা অসিগী ১০ অমসুং ১১ গী লোন্নবা অহিং নোংয়াই পুং ১২.৩০ রোম তাবদা বেট্টরি শীজিন্নদুনা ঙা ফারম্বা মীওই ৪ লোক্তাক ফিশিং এসোসিএসন নিংথৌখোংগী ঙামীশিংনা নিংথৌখোং আই টি সী পন্দোনদগী তান্নরগা অহিং পুং ২ তাবা অদুৱাইদা থিনুঙ্গৈ খা মমাঙ হিথাংফম তাবি মরিল হায়না খঙনবা মফম অদুদগী ফারগা ঙসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে।

ফারবা মীওইশিং অদুদি থিনুঙ্গৈ মখা লৈকায়দগী পুখ্রম্বম নাওবা (৩৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা পি গোজেন, নাওবগা পোকমিন্নবা মনাওনুপা পুখ্রাম্বম প্রবিশকুমার (৩০), লাইশ্রম ধিরেন (৪২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইবোচা অমসুং লৈকায় অসিমক্তদগী লাইশ্রম ওকেন (৩৮), অপোকপা এল নাতুমনি।

মখোয়দগী ১২ ভোল্টসকী বেট্টরি ২, দি সী টু এ সী কনভর্টর মেছিন ২, ফিশিং নেট ২, ৱায়র তিংদুনা শেল্লম্বা ইলেক্ট্রিক চৎপা রোদ ৩ সু ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিংসিগা লোয়ননা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা শিন্নবা অদুদা নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন এল ইবুংঙো, ৱার্দ নম্বর ১৩ গী কাউন্সীল্লর কে ঐচ মেমতোম্বী, ৱার্দ নম্বর ৬ কী কাউন্সীল্লর কে মনি, ফোরেষ্টকী মায়কৈদগী আর ও হেদক্বার্টর বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজন এন বিরাজনা লুচিংবা ষ্টাফ ৫, বিষ্ণুপুর পুলিসকী সেকেন্দ ও সী, এম প্রসান্তানা লুচিংবা পর্সনেল ৬ সু য়াওখি।

রেঞ্জ ওফিসর হেদক্বার্টর এন বিরাজনা বেট্টরি শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা অসিনা ঙা খক্তা নত্তনা ঈশিং মনুংদা লৈরিবা থৱায় পানবা মচা কয়া মাঙ তাকহল্লি। বেট্টরিনা ঙা ফাবা খক নত্তনা ঙা ফাবগী খুৎলাইশিং নত্তবা অহেনবা অরাইবা পাম্বে শীজিন্নদুনা ঙা ফাবগী অথিংবা অসি লৈনা লৈনা অসিগুম্বা থবক চথুরল্লিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী মতুংইন্না চহী ৩ জেলদা থম্বা নৎত্রগা লুপা লিশিং ২৫ গী ফাইন থিহনবা য়াই। নৎত্রগা পনিসমেন্ট অনীমক ফংবা য়াই। মরম অদুনা লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা খুন দারিবা মীপুম খুদিংমক্না লোনা য়াদবা থবকশিং অসি চথুবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোক্তাক পাৎতা কাঙলোন কায়না বেট্টরিনচিংবা শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা থিংবগী থবক চথুরক্লি। অহিং নোংয়াইদা বেট্টরি শীজিন্নরগা লোক্তাক পাৎতা ঙা ফারম্বা মীওই মরি অদু তান্নরগা ফারবা মতুংদা ফোরেষ্টতা শিন্নবনি হায়রি।

লম্বী শেম্বগী থবক লোইশিন্দুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু : চ্যেরমেন

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): লেম্বা খুলদগী ইকো পার্ক তাবা উরান চিরু ফাওরগা চৎলিবা পি এম জি এস ৱাইগী লম্বী অসি দ্রেননচিংবা হাপ্তবা অমদি পাইপ লৌথোকখ্রগা শেম্বীদবনা অৱাবা মায়োক্লরে। পুম্নমক অসি শেমদুনা অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়না উরান চিরু ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন এস দি অলর চিরুনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা অলর চিরুনা হায়খি, লম্বী অসি দ্রেনসু নীংথিনা হাপ্তবনা ফীভম শোক্লে। ঈশিংগী পাইপ লাইন থদৎখ্রগা শেম্বীদ্রি। ইলেক্ট্রিক পোষ্টশিংসু শেম্বা লোইশিন্দনা লৈরি। মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা অথুবদা শেমজিনবীয়ু।

আইলেন্দ ব্লোক্কী মখাদা লৈবা নপসাগী চেঙসু কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বরদগী চহীসিগী মে ফাওবগী মনুংদা থা অমাখক্তংগী ওইনা ফংদুনা অৱাবা ওইরে। চেঙগী এজেন্ট অসিসু অতোপ্পা এ সীগী মীওইনা ওইরি। চেঙ নীংথিনা ফংহনবা ঙমদ্রে। দি সী কাংপোকপী অমদি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু। লোকল এজেন্ট অমা হাপ্তুনা চেঙ ফংহনবীয়ু। কৈরাও খুনৌদগী উরান চিরু তাবা লম্বী অসিসু ফীভম ফৎতবনা নোংজু থা মতমদা অৱাবা ওইরি। মহৈ-মশিন তম্বা চৎলিবশিং অমসুং লম্বী অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিংদা খুদোংচাদবা থেংনরিবশিং লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মনা পীদুনা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসনল জিম ক্লব (ঈ জি সী) ৱাংবল পার্ট টু থোংজাওনা শীন্দুনা ক্লব অসিনা কোনবা উয়াল অমসুং ৱাংবলগী মফমশিংদগী হন্দক হায়দোকখিবা বোসেমগী ক্লাস টেন অমসুং কোসেমগী ক্লাস টুয়েল্বকী চাংয়েংদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয় খুদিংমকপু হরাও তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপগী অহানবা এপ্রিসিএসন এৱার্দ এন্দ প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরম অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংবল পার্ট টু কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাংবল পার্টটুদগী লৈখিদ্রবা সাইরেম কুবেরগী মিংদা পীবা এপ্রিসিএসন এৱার্দ অমসুং মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সুরজকুমারনা অথোইবা মীথুং, সঙ্গাইয়ুম্ফম জিলা পরিষদকী জেদ পি মেম্বর এম দি হিবজুর রহমননা থৌরম মপু অদুগা ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান হৈস্নাম মনিচন্দ্র, ১১৩ বট্টালিয়ন বি এস এফকী সী ও হিদাম সুবোল, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী চ্যেরমেন কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাঙ, দি আর দি এ থৌবালগী প্রোজেক্ট ওফিসর সাপম নবচন্দ্র, মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এস আই হুইদ্রোম ইঙো অমসুং ৱাংবল জি পি ৱার্দ নম্বর ৪ গী মেম্বর নোমিনী লাইশ্রম তিকেন্দ্রজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ঈ জি সীনা কোনবা উয়ান অমসুং ৱাংবলগী মফমশিংদগী বোসেমগী ক্লাস টেনদা পাস তৌরক্লবা পুন্না মহৈরোয় ১৬, কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বতা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয় ১৫ দা সাইটেসনগা লোয়ননা অচম্বা খুদোলশিং তমদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

ঈ জি সী ক্লবনা কোল্লিবা এরিয়াদগী ক্লাস টেনগী ওইনা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা মহৈরোয় উয়ান মখা লৈকায়দগী থাংজম আইশ্বারিয়া, অপোকপা টি ঐচ অজিৎ অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয় ৱাংবল লম্বোইথোংদগী ময়েংবম নেভিকা, অপোকপা এম নেহরুদা ক্লব অসিনা লৈখিদ্রবা সাইরেম কুবেরগী মিংদা পীবা এপ্রিসিএসন এৱার্দশিংসু খুৎশিন্নদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা এক্সিদেন্টতা মীওই অনী শিরে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা মীওই অনী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লংথবাল লেপ ময়াই লৈকায়দগী ককচিংদা লুহোংবা নুপী থিনবা লাকপা আই টেন কার (এম এন ০১ দব্লিয়ু/৯৫৭৩) অমগা জিপসি অমগা খোংজেমদা থোমগাইনবদা আইটেন কারদা লাকপা নুপা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমীদাং পুং ৮ রোম তাবদা থোকখিবনি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং এস রাজেন্দ্রো (৬০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এস গৌরহরি কৌই। মহাক লংথবাল লেপ ময়াই লৈকায়দা লৈবনি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা খোংজোম পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ময়াই লম্বীগী পোলষ্টার কোলেজ মনাক্তা অল্টো কার অমা লম্বীগী নাকলদা হৌবা উপাম্বী অমদা মশা মথন্তা য়ৈশিনবদা কার অদুবু থৌরকপা দ্রাইভর লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে।

থৌদোক অদু ঙরাং নুমীদাং পুং ৯ রোম তাবদা থোকখিবনি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং থিংনাম থোইবা (৫০), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ দবল্লো কৌই। মহাক ককচিং খুনৌ উমাথেল অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। পুলিসকী পাউনা হায়, কার অদু ইম্ফাললোমদগী ময়াই লম্বীরোমদা হায়থরকপদা লম্বীগী নাকলদা হৌবা উ পাম্বী অমদা মশা মথন্তা য়ৈশিনবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা পুলিসনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। এক্সিদেন্টতা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা কেস লৌখৎখ্রে।

ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী ৭ লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট নিঙোম্বম ওংবী ইবেমহলনা ফোঙদোকখিবদা, কৈথেল অসিদা হোংজিল্লক্লিবা অসিদা লৈহৌবশিংবু ষ্ট্রিট ভেন্দর হায়না থম্মী। চহী ৭/৮ লোম শুরক্লে। ষ্ট্রিট ভেন্দর নোংম-নোংমগী মশিং য়ামখৎলক্লি। ষ্ট্রিট ভেন্দর লৈরমদ্রবদি মণিপুরদা ঈরাং অচৌবা থোক্কনি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা মচা-মশু শেমদবা য়াদে হায়না হোৎনরিবনি। কৈথেল ফম্বীশিং অসিগী অফবা মচা কয়া অমসু য়াওরি। মখোয়বু ঈকায় খুম্নবা ওইনা মনা পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশকী এদিসনল দিরেক্টর ডা. মোইরাংথেম শ্যামজাইনা চীফ গেষ্ট, য়েলহৌমী থৌপৈগী এদভাইজর মুতুম চুরামনি অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নার অঙোম তাঙানবানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

কাংখল হিদাক লুপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): চীফ মেদিকেল ওফিসর ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা নেসনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন ভি বি দি সী পি), ককচিংগী ষ্টাফশিং অমদি য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সীল (য়ু পি এ সী ও) মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী নোংমাইখোং ময়াই লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা এৱেরনেস প্রোগ্রাম কম আই টি বি এন (কাংখল লুপ্পা)গী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৭০ রোম্না শরুক য়াবগা লোয়ননা কাং চংদনবগীদমক কাংখলশিং হিদাক লুপথোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

কাপাগী দিলরনা এক্সপিয়ারি ওইরবা পোৎচৈ য়োল্লম্বদগী থিংজিল্লে : কে এস এ

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস): থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা কাপা কম্পেনিনা তোঙান তোঙানবা এক্সপিয়ারি দেট লোইরবা চানবা পোৎলমশিং নৌনা অমুক লেভেলিং তৌরগা কম্পেনি অদুগী দিলরনা থাদোক্লম্বা অমদি শেম-শারম্বা গোদাউনদা ঙসি কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) গী থৌমীশিংনা রেইদ চথবদা থেংনদুনা ফাগৎখ্রে।

থাঙ্গাল কৈথেলগী সঙাই কন্টিনেন্টলগী মনিংদা লৈবা কাপা প্রদক্টশিংগী এজেন্ট রাজস্থানদগী নিরাজ মহাৱাই (২৩), অপোকপা কেদর প্রসাদ মহাৱরগী বিল্ডিংগী গোদাউনদা কম্পেনি অসিগী পোৎলমশিং থল্লম্বনি হায়না কে এস এগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম হেমজিৎনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। কে এস এগী থৌমীশিংনা চঙলুবদা পুন্না মীওই মঙানা থবক শুদুনা লৈরম্বনি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা এক্সপিয়ারি ওইরবা চানবা পোৎলমশিং অমদি নৌনা লেভেলিং তৌবা পোৎচৈশিং অদু পৈরগা লৈরম্বা থেংনখি।

হেমজিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা মীতোপ-মীয়ানচাশিংনা নোংমা কাংদনা চঙশিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুর হায়বা ফুরুপ অসি তপ্না তপ্না মুৎখিনবা তৌবদা তোঙান তোঙানবা লাল্লোং কয়া তৌদুনা য়োনবা অসিসু মখল অমনি হায়রি।

ঙসি লেভেলিং তৌরম্বা পোৎলমশিং অদু কাপা পাপদ, কাপা রিফাইন গ্লীসরিন, কাপা হনি, কাপা মিরচি, কাপা ফরোদা, চিলি পাউদর, মিট পাউদর, কাপা হল্দি পাউদরনচিংবনি হায়রি। এক্সপিয়ারি ওইরম্বা পেকেট অদুদগী লৌথোক্লবা মতুং অমুক নৌনা লেভেলিং তৌবা পেকেটশিংদা হাপচিন্দুনা য়োনবগী থবক কন্না চথুরি। মরম অদুনা কাপা কম্পেনি অসি লমদম অসিদা থিংজিল্লে হায়রি। কম্পেনি অসিগী এজেন্ট অমদি সব-দিলর ওইরিবশিংসু কে এস এগা ৱারী শানবদা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী ফুদ সেফ্টি দিপার্টমেন্টনা লমদম অসিদা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা য়োল্লিবা পোৎচৈশিং অসি নীংথিনা চেক তৌদবদগী লিদর অমদি এজেন্টশিংনা তৌনিং তৌনিংবদা তৌদুনা লৈরে। হিরম অসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনসু মীৎয়েং চঙবীনবা হায়রি।

Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)
Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM
ADMISSION OPEN
Class XI (Science & Arts)
(DAS)
Special Admissions Offer for Limited seats only
2019 COHSEM School Performance
4th Position in Arts
Inspire Awardee in Sc.
100 % Pass in Arts
98% Pass in Sc.
Admission Criteria

85% & Above	Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant
80% & Above	Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant
75% & Above	Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant
70% & Above	Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant
65% & Above	Free Admission; 30% exemption on Coaching
60% & Above	50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching
45% & Above	Direct Admission

The Admission is based on the First come First basis.
HL-B/5402/30/5-19/6



SHINE TUTORIAL CENTRE
A Unique Education for Future
WANGKHEI KEITHEL ASANGBI IMPHAL EAST
ADMISSION OPEN
14th Position T. Kritibala Roll No 45965 TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL
16th Position Kamei Langanglu Roll No 45903 TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL
16th Position S. Jiddy Devi Roll No 45959 TINY TOTS' UNIQUE SCHOOL
24th Position MD. Hanif Roll No 34670 ANTARTIC ENG. SCHOOL
HSLC 2018
FOUNDATION COURSE
CLASS - X
BOSEM 2019-20
COMMENCE FROM
20th June, 2019
Last date of Admission 18th June, 2019
16th Position Paruldev Huidrom Roll No.40736 St. Joseph's School Sangaiprou
24th Position L. Merina Devi Roll No. 38177 St. George High School Wangkhei
2016
For Details:
Visit at the Office of the Shine Tutorial Centre
Contact No.: 9774223274
Limited seat: first come first served
4th POSITION MD. PERVEZ Brighter Academy (Checkon)
6th POSITION S. GYANENDRO SINGH Tiny Tot's Unique School
9th POSITION KSH. MONIKA DEVI Little Flower School (Sangaiprou)
2015
HL-P/4292/9-23

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI, IMPHAL WEST
ADMISSION OPENS FOR
2nd FOUNDATION COURSE
CLASS IX & X (CBSE / BOSEM)
CLASSES STARTING FROM – 10th JUNE, 2019
OUR SHINING STARS
Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)
7th Position W. Ningthem Meitei S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu
8th Position U. Aditya Luwang S/o. U. Geetchandra Singh & I. Anita Devi
11th Position Haobam Rijando S/o. H. Nandabi & H. Phajabi
12th Position M. Nerich D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi
19th Position H. Aman Singh S/o. H. Tomba & H. Baby
22nd Position A. Pooja Sharma D/o. A. Ibomcha Sharma & Ph. Premlata Devi
23rd Position Md. Makbun S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum
HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019
91.4 % R.K. Phalguni S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya
90.4 % Bandana Mutum D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni
85.0 % Irungbam Thajalembi D/o. I. Kunja & I. Kunjamani
84.6 % Nikesh Sapam S/o. S. Bhogen & S. Sobita
83.0 % Nancy Keisham D/o. K. Sanatomba & Binapani M.
- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- HOSTEL FOR BOTH BOY & GIRLS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES
Subjects offer: Maths, English, Science, Social Sc., M.M., Hr. Maths & Home Science
Our faculties are:
Science - (i) Sir Opendro (ii) Sir John (iii) Sir Narajit
Maths & Hr. Maths - (I) Sir Anil (ii) Sir Subhas (iii) Sir Wenliam (iv) Sir Apoi
Social Science - (i) Sir S. Robin (ii) Madam Romita
English - (i) Sir Sanahal (ii) Sir. Dimbhajit
Meitei Mayek - (i) Sir Chandrakumar (ii) Miss Preety
Home Science - Mem Roxy
CLASS TIMING 4:30 - 7:30 AM (MOR) 4:30 - 7:30 PM (EVE)
PLEASE CONTACT: +91-6009103078 / 9612194500
HL-B/5409/23/5-22/6